# চন্দ্রনদি ট্রোফিঃ সনা এফ সী থৌবাল অমসুং যুনাইটেদ সেক্তা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭ (ঐচ এন এস):** স্পোর্টস ফোর পীছফুল কো এক্সিস্টেন্স হায়বা ৱাখল্লোনদা থা অসিগী ৪দগী হৌদুনা চথরক্লিবা ৬ লক শুবা ষ্টেট লেভেল ৯-এ-সাইদ ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট -চন্দ্রনদি ট্রোফি ২০২৬কী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা সনা এফ সী থৌবাল অমসুং যুনাইটেদ সেক্তা মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

হাওরৈবী নোদর্ন ষ্টার ক্লব অমদি হাওরৈবী অপুনবা এফ সীগা পুন্না খুৎশম্নরগা হাওরৈবী কাংজৈবুংদা চথরিবা ট্রোফি অসিগী ঙসি অহানবা প্রি-ক্বার্টর মেটচতা সনা এফ সী থৌবাল অমসুং ওল্দ ষ্টার ক্যাম্পৈগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা অমনা অমগী মায়কৈদা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙম্লখিদে। মদুনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা টিম অনীনা পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চৎখি। ওল্দ ষ্টারগী পাঞ্জল অদুনা ৪৯ শুবা মিনটতা রনবিরনা অদুগা সনা এফ সীগী পাঞ্জল অদুনা ৪৫ শুবা মিনটতা দোনাল্ডোনা চনখিবনি। তুংদা টিম অনীগী মরক্তা পেনালটি কাওনখি। পেনালটি কাওনখিবা অদুদা ওল্দ ষ্টারগী ওইনা পাঞ্জল ২ খক্তমক চনবা ঙমখি। অদুগা সনা এফ সীনা পাঞ্জল ৪ চন্দুনা মেটচ অদু পাঞ্জল ৫-৩দা মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙম্বা অহানবা টিম ওইখি।

ঙসি অনীশুবা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা পি সী এফ সী সেকমাই অমসুং যুনাইটেদ সেক্তাগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী যুনাইটেদ সেক্তাগী শান্নরোয়শিংনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়নননা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। পাঞ্জল অদু মেটচ অদুগী ১৪ শুবা মিনটতা অজর্ুননা চনখিবনি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুদা পি সী এফ সী সেকমাইগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙম্নবা কন্না হোৎনখি অদুবু বোল পায়বগী চাং নেমখিবনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে। অমরোমদা, বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙল্লিবা যুনাইটেদ সেক্তানা অনীশুবা হাফকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা পাঞ্জল ৩ চনবা ঙমদুনা মেটচ অদু পাঞ্জল ৪-০দা মায় পাকখি। অনীশুবা হাফকী পাঞ্জল অদু অর্জুননা ২ অদুগা গোলদেন্সননা অমা চনখিবনি।



# এম এন সী এ সুপর প্লেট ট্রোফিঃ সী দি সী সী সগোলবন্দ অমসুং টি সী এম দি সী মায় পাকখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭ (ঐচ এন এস):** মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন (এম এন সী এ)না শীন্দুনা তোঙান তোঙানবা ক্রিকেট গ্রাউন্দশিংদা হৌজিক চথরিবা ৫ রক শুবা এম এন সী এ সুপর প্লেট ট্রোফি ২০২৫-২৬কী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা সী দি সী সী সগোলবন্দ সলাম লৈকায় অমসুং টি সী এম দি সী থোংজু পার্টর টু পেচু লম্পাক মায় পাকখ্রে।

ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌরগা পব্লিক গ্রাউন্দ খাঙবোক পার্ট থ্রি চেরাপুরদা এস দি সী সী সগোলবন্দ অমসুং কে এ এস সী খোমিদোকা লম্বা তৌনখিবা অদুগী টোস সী দি সী সীনা ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নখি। সী দি সী সীনা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা টিম অদুগী বেটসমেন এম দি অটুর রহমননা বোল ৫৯ মায়োক্নবদা রন ৭২ লৌরমখি। অতোপ্পা বেটসমেন রোবার্টনা বোল ৩৭ মায়োক্নবদা রন ৩৬ অদুগা কোঞ্জেংবম মোনিসনা বোল ২২ মায়োক্নবদা রন ৪৩ লৌদুনা টিমগী রন মশিং য়ামহন্নবা হোৎনবদা চাওনা মতেং পাংলমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা অপীবা ওভর ৩৫ লোইবদা সী দি সী সীগী ৱিকেট ৬ তুরগা পুন্না রন ২৫৬ লৌবা ঙমখি।

কে এ এস সীনা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা বেটসমেন ময়াংময়ুম মুহম্মদ অলফাজনা বোল ২৭ মায়োক্নবদা রন ১০ অদুগা মুহম্মদ জবেদ অকটরনা বোল ১৬ মায়োক্নবদা রন ১৬ লৌরমখিবা অদু নত্তনা লেমহৌরিবা টিম অদুগী বেটসমেন অমত্তনা দিজিট অনী শুবা রনশিং লৌবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা ওভর ১৭.২দা ওল আউট ওইরগা রন ৭১ খক্তমক লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু সী দি সী সীনা রন ১৪৫দা মায় পাকখি।

অমরোমদা, খুদৈবন্দ লম্পাক, তাওথোংদা কে এস দি ও ক্যাম্পৈ অমসুং টি সী এম দি সী থোংজুগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস কে এস দি ওনা ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নখি। কে এস দি ওনা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা টিম অদুগী বেটসমেন অয়াম্বনা মায়োক্নরিবা টিমগী বোল্লরশিংনা চথরকখিবা এটেকশিং মপুং ফানা মায়োক য়াদুনা শান্নবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা ওভর ২৯.১দা ওল অউট ওইরগা রন ১১৭তগী হেন্না লৌবা ঙমখিদে। অদুগা টি সী এম দি সীনা বেট্টিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা টিম অদুগী বেটসমেনশিংনা হৈনা শিংনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়নননা ওভর ২১.৫তা ৱিকেট ৩ তুরগা পুন্না রন ১১৯ লৌবা ঙমদুনা মেটচ অদু ৱিকেট ৭তা মায় পাকখি।




# রোয়ল টিম থাঙ্গ লৱাইনা আই এম সী সী ইথাই খুনৌ থোইদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে



**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৭ (ঐচ এন এস):** থা অসিগী ৮দগী হৌরগা পুন্না টিম ২৪না শরুক য়াদুনা সোসিও ইকনোমিক দিভেপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (সেদো) নোংমাইখোং ময়ায় লৈকায়না শীন্দুনা সেদো গ্রাউন্দদা চথরকখিবা ৫ রক শুবা ওপন ৫-মেন-এ-সাইদ নোক আউট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়নননা লোইশিনবা নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা রোয়ল টিম থাঙ্গ লৱাইনা আই এম সী সী ইথাই খুনৌ ওইরগা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

ঙসি লোইশিনবা নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী ওইনা টিম অনীমক্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা অমনা অমবু লাকচনা কন্ট্রোল তৌদুনা শান্ননবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুদা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা মেটচ অদু মায় পাকপা ঙম্ননবা মখোয় মখোয়গী হৈশিংবশিং মপুং ফানা উথোক্তুনা শান্নখি। অদুমওইনমক অনীশুবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জলশিং চন্নবা ঙমদনা লৈখি। তুংদা টিম অনীগী মরক্তা পেনালটি কাওনখি। পেনালটি শুট আউটতা রোয়ল টিমনা আই এম সী সীবু পাঞ্জল ৩-১দা থোইরগা ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি। ঙসি পাঙথোকখিবা লোইশিনবগী থৌরম অদুদা লময়ানবা ইন্টরপ্রাইজেসকী প্রোপ্রাইটর ডা. এলাংবম অমিটকুমার, অরোং নোংমাইখোং গ্রাম পঞ্চায়টকী হান্নগী চেয়রপার্সন ঐচ নিংথেম অমদি ককচিং জিলা পরিষদগী অধক্ষ্যা ই সুরেন্দ্রজিৎনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।


# ষ্টেট লেভেল ওপন টেন্নিস বোল ক্রিকেট টুর্নামেন্ট মথং থাগী ৮দগী পাঙথোকপা হৌরগনি

**থৌবাল, জন্যুৱারী ১৭ (ঐচ এন এস):** তেন্থা হৈবুং ট্রানক্যুইলিটি ক্লব, তেন্থানা চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা টি ক্যু সী ট্রোফি ২০২৬ মথং থাগী ৮-দগী পাঙথোকপা হৌরগনি।

টি ক্যু সীগী শান্নবুংদা পাঙথোক্কদৌরিবা লেট ইরুংবম বির্লাল মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল ওপন টেন্নিস বোল টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নরদা শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং ৩০ অমদি ট্রোফি অদুগা রন্নরদনা শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং ২০ অমদি ট্রোফি খুৎশীন্নগনি। অদুগা টুর্নামেন্ট অসিগী হায়েষ্ট রন স্কোরর, হায়েষ্ট ৱিকেট টেকর অমদি প্লেয়র ওফ দি মেটচ তারবা শান্নরোয় খুদিংমক্তসু শেলগী মনা অমদি ট্রোফি পীগনি। টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানবগীদমক ফোর্ম থাজিনবগী অরোয়বা নুমিৎনা মথং থাগী ২দা ওইগনি অদুগা ফিক্সর দ্রো অমদি মেনেজরশিংগী মীটিংনা মথং থাগী ৫দা পাঙথোক্কনি। টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা টিমশিংনা হেন্না অকুপ্পা মরোলগীদমক তেন্থা হৈবুংদা লৈবা টি ক্যু সীগী ওফিসতা লাক্তুনা নত্রগা মোবাইল নম্বর ৭০০৫২২২১৩৯, ৭০০৫৫৯০১৫৪, ৮৮৩৭৩৫৩৭৫৬ তগী খঙবা য়াগনি হায়রি।




## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1710**

**IM Alina Bivol (2360) - WIM Luong Phuong Hanh (2236)**
**World Rapid Women 2025 Doha QAT, 2025.12.26**

1.e4 c5 2.Nf3 e6 3.c3 Nf6 4.e5 Nd5 5.a3 d6 6.d4 cxd4 7.c4 Ne7 8.exd6 Qxd6 9.Nc3 Nf5 10.Nb5 Qb6 11.Bf4 Na6 12.Bd3 Nd6 13.Nbxd4 Qxb2 14.O-O Nc5 15.Re1 Be7 16.Bf1 Nde4 17.Re2 Qb6 18.Nb5 O-O 19.Rb1 Qd8 20.Qc2 f5 21.Rd1 Bd7 22.Ne5 Qc8 23.Nxd7 Nxd7 24.Nc7 e5 25.Nxa8 exf4 26.Rxe4 fxe4 27.Qxe4 Bxa3 28.Qe6+ Kh8 29.Rxd7 Qxa8 30.Qe5 Rg8 31. ...

**QUESTION :** White to win

**Puzzle 1709 Solution :**


**40. Ba4** *The white bishop clears the way for White's queen to the pawn. The white bishop deflects Black's queen away from protecting the square c3.* **Qxa4**

*40...Qb1+ 41.Qxb1*
*40...Qxd2 41.Qxf7+ Kh8 42.Qxf8#*
*40...Rxa4 41.Qxf7+ Kh8 42.Qxf8#*

**41. Qxf7+** *The white queen forks Black's bishop and king.* **Kh8 42.Qxf8#** *Back-rank mate*
**1-0**



Title : Sukuna
By : B. Rian Sharma
Class : IV Roll No. : 25 Sec :
School : Laisukol, Thoubal




Title : Izuko Midoriya
By : Chinglemba Yumnam
Class : VI Roll No. : 11 Sec. : B
School : Unacco School



Title : Boboboy Sufral
By : Leo Pheiroijam
Class : V Roll No. : 19 Sec. : D
School : Tiny Tots' Unique School




Title : Fire Car
By : Luhan Naoshram
Class : UKG Roll No. : 25 Sec. : Iris
School : SL Arena of Learning




Title : Dummy Action 13
By : M. Satyaam
Class: V Roll No. : 52 Sec. : B
School : St. Joseph's School



Title : One Piece
By : Osburt Phamdom
Class : IV Roll No. : Sec. :
School : Millenium School Patsoi




Title : Wonder Woman
By : Pepe Naorem
Class : PSK-I Roll No. : 18 Sec.
School : Korounganba Kids World




Title : Cat
By : Phijam Grace Chanu
Class : II Roll No. : Sec : A
School : Shishu Nistha Niketan




Title : Rumi
By : Phurailatpam Basundhara Devi
Class : II Roll No. : 23 Sec. : A
School : Brighter School



Title : Eye
By : Sameirang Soibam
Class : IV Roll No. : 1 Sec. :
School : Alpha & Omega School



Title : Lady Bug
By : Yumnam Khonthanganganbi
Class : II Roll No. : 1 Sec : Daisy
School : Blooming Dale School




Title : A bird who like plants
By : Babina Usham
Class : V Roll No. : Sec : C
School : Christ Jyoti School



Title : Happy Makra Sankranti
By : Meroka Angom
Class : V Roll No. : 17 Sec : B
School : R.K Sanatombi Devi Vidyalaya Pangei



Title : Republic Day
By : Ningthoujam Ambyr
Class : VI Roll No. : 10 Sec : A
School : R.K Sanatombi Devi Vidyalaya




Title : Happly Republic Day
By : Pukhrambam Aayushi
Class : VI Roll No. : 33 Sec :
School : R.K Sanatombi Devi Vidyalaya

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়নননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com